# খোংজোম মেগা টুরিষ্ট সেন্তরদা লৈবা চীং মৈ থারম্লে



**থৌবাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস):** খোংজোম মেগা টুরিষ্ট সেন্তরগী মনুংদা লৈবা কোম্বীরৈ পাৎ মমাংগী চীং ঙসি মশক খঙদবা মীওইশিংনা মফম কয়ামরুম থোক্লা মৈ থাদোক্লম্লে। চীং অসি ফুন্দ্রেদা লৈবা আসাম রাইফলস বাট্টালিয়নগসু থংননা লৈবনি হায়রি।

হৌজিক হৌজিক ওইরিবা লৈবাক্কী ঈরাং অসিনা মরম ওইরগা মফম অসিদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা চংবগী অয়াবা পীদনা থীংজিন্দুনা থল্লিবা মফম অমনি। অদুমওইনমক ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তারকপদা খঙহৌদনা মৈ চাক্লকপা মীয়াম্না উনরকপদগী মেগা টুরিষ্ট কম্মিটিদা পাউ পীরক্তুনা মৈ অদু খোংজোম আই বি পোষ্টতা লৈবা পুলিস পার্সোনেলশিং, থৌবাল ফায়র সার্ভিসকী গাড়ী অমসুং মেগা টুরিষ্ট কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা চংশিন্দুনা কন্ট্রোল তৌখি। মতম চানা মৈ অদু কন্ট্রোল তৌবা ঙমহৌবদগী কা হেন্না অমাং অতা থোকহনগদবদগী কনবা ঙমখিবনি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মেগা টুরিষ্ট সেন্তরগী সেক্রেটরি ও সুনিলনা ফোংদোকখিবদা মৈ অসি কনাগুম্বা মীওই খরনা অতম্ননা থারম্বা মাল্লি। চীং অসিগী ময়াইদা ফাওরিবা লম্বীশিং অসি লাল্লগা মফম কয়ামরুম থোক্লা মৈ থারমখিবনি। লম অসি পাক চাওবনিনা অকোইবগী ফেন্সিংসু মতিক চানা লৈতবা অমদি মেগা টুরিষ্ট সেন্তর অসিগী ষ্টাফসু মশিং য়ামদে। মসিগী খুদোংচাবা লৌরগা মৈ অসি থারম্বা ওইরম্বা য়াই। থৌদোক অসি য়াম্নমক লাইবক থীবনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা ফোংদোকখিবদা হায়রিবা মফম অসিদা কম্মিটিগী নত্রগা মণিপুর লৈঙাক্কী অয়াবা য়াওদনা কনাগুম্বশিংনা মেগা টুরিষ্ট সেন্তর অসিগী মনুংদা চংবীগনু। করিগুম্বা চংলম্বা থোক্লগদি মদুদা থোরকপা অফ-ফত্তগী তেকচাক মশা মশানা পুজগদবনি হায়রি।

## ওজা অমদি ষ্টাফশিং অৱাবা মায়োক্লরে

**ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস):** জোনোষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী দি দি ও ওইগদবা মী অমত্তা লৈতবনা মরম ওইরগা স্কুল অসিগী ওজা অমদি ষ্টাফশিং খম থেংনা অৱাবা মায়োক্লরে। ওজাশিংগী অৱাবা অসি য়েংবীদুনা লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা দি দি ও ইনচার্জ অমা হাপ্লিয়ু হায়না স্কুল অসিগী সিনিয়র লেকচর মেইরাংথেম তখেলজাওনা ফোংদোরক্লি।

জোনোষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ঙসি পাংথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা তখেলজাওনা হায়, স্কুল অসিগী ওজা অমদি ষ্টাফশিংনা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং অসি গভর্নমেন্টতা মাংজৌননা খঙহনখিবা লৈরে। অদুবু ঙসি ফাওবদা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চংদুনা থবক্তা ওন্থোকপদি লৈত্রি। স্কুল অসিগী ওইনা হৌজিক হৌজিক প্রিন্সিপাল লৈতে। দি দি ও গী পৱার পায়বা অমত্তা লৈতবনা ওজা অমদি ষ্টাফশিং তবল অমত্তা ফংদ্রে। ওজাশিং অসি অতোপ্পা শিনফমসু পায়বা নত্তবনিনা খম থেংনা অৱাবা মায়োক্লরে। চহি অসিগী ফেব্রুৱারী থাগী তলব অসি ইনকম টেক্স ককখিবনা মরম ওইরগা অমত্তা ফংদ্রে। মার্চ থাদগী দি দি ও লৈতে হায়দুনা তলবসু পীবিদ্রে হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা ফোংদোকখিবদা হৌজিক হৌজিক ওজাশিংগী থা অনিগী তলব পেন্দিংদা লৈরি। ওজা অমদি ষ্টাফশিংগী অৱাবা অসি উবীদুনা গভর্নমেন্টনা অথুবা মতমদা স্কুল অসিগী দি দি ও ইনচার্জ অমা হাপ্লিদুনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসি কোকহনবিয়ু হায়খি।

## মণিপুরদা হিদাক্কী চাদা ৪০ অৱাৎপা লৈরে

**ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস):** থা অসিগী ৩ দগী হৌরগা খঙহৌদনা থোরকখিবা কাংলুপকী ইরাংনা মরম ওইরগা নেসনেল হায়ৱেশিংদা অথিংবা থমখিবদগী নোংমদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়াগী অৱাৎপা ঐখোয়না থেংনরি। হায়রিবশিং অসিগী মনুংদা মেদিকেলগী ওইবা পোৎলমশিংসু হৌজিক্তি ওইনা চাদা ৪০ গী চংদা অৱাৎপা লৈরে হায়না মণিপুর কেমিষ্ট এন্দ দ্রগিষ্ট এসোসিয়েসন (এম সী দি এ) গী মাইকৈদগী ফোংদোরক্লি।

এম সী দি এ না শিন্দুনা ঙসি বি টি রোদকী গম্ভীর সিংহ সোপ্পিং আর্কেদতা পাংথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট রাজ কুমার রাকেশনা হায়, লমদম অসিদা হৌজিক হৌজিক হিদাক লাংথক্কী অৱাৎপা কয়া লৈরিবা অসি মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চংদুনা অথুবা মতমদা থবক পায়খৎত্রবদি নুমিৎ ৩/৪ দা ষ্টোক্কী অৱাৎপা লাক্লগনি হায়খি।

এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেটরি থোকচোম দিজমনিনা হায়, লমদম অসিদা কাংলুপকী ইরাং থোরকখিবা মেদিকেলগী ওইবা পোৎলমশিংসু হৌজিক হৌজিক হিদাক লাংথক্কী পুল্লুনা লাকপা ত্রক ১২ ইম্ফাল য়ৌরকপা ঙমদনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পন্দুনা লৈরি।

হিরম অসিগী মতাংদা হেল্থ মিনিষ্টর ডাক্তর সাপম রঞ্জনগা উন্নদুনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসিগী মতাংদা খঙহনখ্রে হায়রি।

## কে টি টিনা লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি

**ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস):** থা অসিগী ৬ তা ময়ুমদগী মশাগী থবক অমগীদমক কারদা চৎখিবা খেলেন থোকচোম ত্রষ্টকী মেম্বর অতোম সোমোরেন্দ্র অমসুং মহাক্কা লোয়নখিবা য়ুমখাইবম কিরন ঙসি ফাওবা মফম খঙদনা লৈরিবা অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা অহেনবা মীৎয়েং চংদুনা মখোয়গী মরী-মখোং পুথোকপীনবা খেলেন থোকচোম ত্রষ্ট (কে টি টি) গী মাইকৈদগী অপিল তৌরক্লি। ত্রষ্ট অসিনা ফোংদোরকখিবগী মতুং ইন্না সোমোরেন্দ্র অমসুং কিরন ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খুম্বোং ভিলেজদগীনি হায়রি।

## লাঞ্জেন্নরকপশিংদা তেংবাং পীবগী থবক চখৎরি

**ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস):** উরিপোক্তা লৈরিবা লোকেল ক্লব ৪৬ কী অপুনবা বোডি অমা ওইরিবা উরিপোক অপুনবা লুপ অমসুং উরিপোক নুপী অপুনবা লুপকা খুৎশম্নদুনা কাংলুপকী ইরাংদা লাঞ্জেন্নরক্তুনা মোইরাং অমদি কুম্বীগী মফম কয়াদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবশিংদা তেংবাংগী পোৎলমশিং খুৎশিন্নবতা নত্তনা কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংদা লেম্না লায়েংবা অমদি হিদাক লাংথকশিং পীবগী থবকসু চখৎরি হায়রি।

উরিপোক অপুনবা লুপকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি চিংথং নাম্বমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লাঞ্জেন্নরকপশিংনা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মফমশিংদা পেকেজ দ্রিঙ্কিং ৱাটর, হৱাই-চেংৱাই খক্তা নত্তনা নুপীগীশিংগী সেনিটরি পেদ, অন্দর গার্মেন্টশিংসু ঙসিগী তেংবাং পোৎলম য়েন্থোকপা অসিদা য়াওরি।

য়ুরোপ অমদি দেল্লিদা চোইনা তারিবা মণিপুরীশিংনা পীরকপা মতেং য়াওনা উরিপোক অপুনবা লুপকী মেম্বরশিং, উরিপোক নুপী অপুনবা লুপকী তেংবাংগা লোয়ননা রিলিফ মেটরিয়েল পীবা অমদি লেম্না লায়েংবগী থৌরম অসিদা ডা. এন হরাবা, ডা. এস মার্কানদেভ অমসুং ডা. ৱাই মার্গরেদসু শরুক য়াখি।

লেপ্পা লৈতনা মথং মথং চখৎরক্লিবা তেংবাং পীবগী থৌরমসিদা ঙসি মোইরাং লমখাইদা লৈবা খোইয়োল কৈথেলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্প, চিংঙু মোইরাং থাংজিং গেষ্ট হাউসতা হাংলিবা রিলিফ কেম্প, কুম্বী লৈরক অচৌবা লাইশঙ লৈকাই লম্পাক কম্যুনিটি হোল, কুম্বী অৱাং হায়স্কুল রিলিফ কেম্প অমসুং থাংঙ্গদা লাঞ্জেন্নরক্তুনা লন্নাই অমদি মরী-মতাগী য়ুমদা সৈদাংফম লৌদুনা লৈরিবা মফমশিংদা তেংবাংগী পোৎলম পীবা অমসুং অনা-লায়েংগী থবক চখৎখিবনি।

উরিপোক অপুনবা লুপনা চখৎরক্লিবা তেংবাং পোৎলম পীবগী থবক অসি লাঞ্জেন্নরক্লিবশিংনা নেনা তাবা পুন্সি অমা হঞ্জিল্লক্ত্রিবা ফাওবা মখা তানা চখৎখিগনি হায়না চেরোল অসিনা হায়রি।

## উৎসবগা মরী লৈননা চাকলেন পীজখ্রে

**ককচিং, মে ১৮ (ঐচ এন এস):** রাধা গোবিন্দা মন্দির মহিলা সঙ্গিট এসোসিয়েসন, থৌরানি কুল্লাবিধু পালা, ককচিং খুনয়াই লৈকাই মমাং মান্দপনা শিন্দুনা চহি খুদিংগী পাংথোকপা মহা সাবিত্রি উৎসব পাংথোকখ্রে।

উৎসব অসিগা মরী লৈননা মণিপুরদা হন্দক থোক্লিবা কাংলুপকী ঈরাংনা মরম ওইরগা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা ককচিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওই ১৫০ রোমদা চাকলেন অমসু পীজখ্রে। কাংলুপকী ঈরাংনা অৱাবা তাহল্লবা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা মতেং পাংবা ওইনা মহা সাবিত্রি উৎসব অসি পাংথোকপগা লোয়ননা চাকলেন পীজবগী থৌরম পাংথোকখিবনি হায়রি।

## রিলিফ কেম্পতা শেলগী তেংবাং পীখ্রে

**জিরিবাম, মে ১৮ (ঐচ এন এস):** পিছ কম্মিটি জিরিবাম অমদি মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদরস কনষ্ট্রক্সন ৱার্করস ৱেলফেয়র বোর্দকী চিয়রপার্সন কে সরতকুমারগা লোয়ননা জিরিবামগী তোঙান তোঙানবা মফমদা হাংলিবা রিলিফ কেম্প ৪ দা শেলগী তেংবাং পীখ্রে হায়রি। ঙসিগী খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা কে সরতকুমারনা ফোংদোকখিবদা পিছ কম্মিটি জিরিবামগী টিমগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিং অথুবা মতমদা মশা মশাগী ময়ুমদা অমুক তেক্তা কাইদনা হলহনখিনবগীদমক আসাম রাইফলসকা লোয়ননা লোয়নরি। জিরিবাম পুলিসনা চাওনা মতেং পাংলি হায়রি।

## লাইনিংগী পাউতাক ঙাকপনা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমগনি

**ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস):** থা অসিগী ৩ দা চুরাচান্দপুরদা সোলিদারিটি মার্চ রেল্লি চৎলিঙৈ চৈরক্তা ইখঙ খঙহৌদনা রেল্লি অদুদা শরুক য়ারিবশিংগী মনুংদগী খরনা মনাক নকপদা খুন্দারিবা ফুরূপ অমগী মীয়ামদা ফুবা চৈবা অমদি ময়ুম মকৈ মৈ থাদোক্লুবদগী অচৌবা ঈরাং অমা থোরক্তুনা ঙসি ফাওবা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদ্রি। থোক্লিবা ঈরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরক্কদবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈদি য়েৎনরিবা কাংলুপ অনিখক্কী নত্তনা লমদম অসিদা পুন্না খুন্দামিন্নরিবা মীয়াম্না মখোয় মখোয়গী লাইনিংগী পাউতাকশিং ঙাক্লা চৎপনি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মাইচৌ নিংশিং লুপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, রেল্লি চৎপদা য়াওখিবা মীওইশিংগী মরক্তগী লাইনিংগী ওইবা পাউতাকশিং ঙাক্তবা অমদি ৱাখল খন্থবা ঙমদবা মীওই খরনা অশাওবা ফাথবা ঙমহৌদবদগী লাইবক থীবা থৌদোক অসি থোকখিবনি। মীওইবা হায়বসি লাইনিংনা ৱাখল পুক্লিং ফাথগদবনি। মীওইবা হায়বসি অচুম্বা, নুংশিবা অমসুং মীনুংশি অহুমগী তুংনফম লাইনিংনা পুনবনি। মসিনা পুনবা ঙমদ্রবা নত্রগা লাইনিংগী লিচিং মখাদা পুন্সিগী খোংথাং থাংবা ঙমদ্রবদি তাইবং মী ওইনা পোক্লবসু মীদি ওইরগা শা-ষনগা পাংখক্লবা য়ারবা অমনি হায়না লৌবা য়ারে।

থা অসিগী ৩ দগী হৌরগা মখা তানা চখৎরক্লিবা কাংলুপকী ঈরাং অসিদা খৎন-চৈনবা, হাৎপা-তুপ্পা, লন-থুম মাঙহন তাকহনবা, কাংলুপ অমনা কাংলুপ অমগী মীয়াম মীচমশিংদা চৈথেং পীরিবা অমদি কাংলুপকী ঈরাং থোকহল্লিবা মীওইশিং অসি লাইনিংগী পাউতাক ঙাক্তুনা চৎতে হায়বনি। লাইনিং লৈতবা মীওইবদি মী ওইনা পোক্লবসু মীরক্তা লৈবা শা-ষনগা চাংদম্নবদা অকায়বা লৈরোই মরম অদুনা লাইনিংগী পাউতাক ঙাক্তুনা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনগদবনি হায়রি।

## মপোক কুমওন

**ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস):** ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তাবদা পুয়া শন্দোক লুপ মোরেগী ৪রক শুবা মপোক কুমওন থৌরম হয়িং খোংবাল উখোং য়ুমফম ইম্ফালদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দকী লোয়শঙদা পাংথোকখ্রে হায়রি। লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দকী ভাইস প্রসিদেন্ট বিদ্যাপতি শেঞ্জম এলাইজ ৱাখল লমজিংবনা থৌরম মপু ওইদুনা পাংথোকখিবা মপোক কুমওন থৌরমদা টেম্পল বোর্দকী মেম্বরশিং, ষ্টাফশিং অমদি লৈবাক্কী ঈরাংনা মরম ওইদুনা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লাঞ্জেন্নরক্তুনা লৈরিবা লাইনিংথৌ সনামহি পুয়া শন্দোক লুপ মোরেগী থৌমীশিংনা শরুক য়াখি হায়রি।

## য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা লেপ্তনা তেংবাং পীনরক্লি

**থৌবাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস):** কৈবী সনাপাৎ ইম্ফাল ইষ্টতা লৈবা য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা লন্নাই মীওইশিং অমদি লুপ কয়ানা তেংবাং পীবগী থবক লেপ্পা লৈতনা চখৎরি হায়না য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোম মেনেজিং কম্মিটিগী সেক্রেটরি এম কে ইল্লৱারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, চহি অসিগী এপ্রিল ৯ দা উরিপোক খোইস্নাম লৈকাইদগী ডা. খারিবম সোমোরেন্দ্র অমদি মাগী ইমুং-মনুংনা হোমগী অঙাংশিংগীদমক টি-সার্ট ১৮ পীরমখি। নুমিৎ অসিমক্তদা শাবুংখোক মখা লৈকাইদগী লোংজম জিট অমদি সুমিলা লৈমা অমসুং মখোয়গী ইমুং-মনুংনা চা, চিনি অমদি অচা-অথক কয়া তেংবাং পীরমখি। এপ্রিল থাগী ১২ দনা হৈরোক পার্ট-টু দেবি মান্দপ লৈকাইদগী নিংথৌজম দিনেসনা মহাক্কী ২৭ শুবা মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা চিনি, শঙ্গোম, ঙারি, থাউ, য়েরুম, য়েন, দিতরজেন্ট অমদি বিস্কুইটনচিংবা পোৎলম কয়া পীরম্মী। এপ্রিল ২৩ দনা বাশিখোং সম্মিটিগী সৈত্যা সাই সেবানা মখোয়গী নারায়ন সেবাগা মরী লৈননা চেং কেজি ২০, হৱাই কেজি ৩, অলু কেজি ২৩, চানা কেজি ৩, কোবি কেজি ১২, দাইরিগী শঙ্গোম পাউদর ১.৫০, য়েরুম প্লেট ২, কেক খরা, দিতরজেন্ট অমদি ষ্টেসনরি আইটেমশিং পীরমখি। হায়রিবা নুমিৎ অসিমক্তদা খুরাই সমিটিগী শ্রীসত্যা সাই সেবানা নারায়ন সেবাগা মরী লৈননা সত্যা সাই বাবাগী ২৩ রক শুবা মহাসমাদিগা মরী লৈননা হোমদা লাক্তুনা চেং বেগ অমা, অলু কেজি ২০, তিলহৌ কেজি ৫, হৱাই কেজি ১০, থুম পেকেট ৫, অচাথাউ লিটর ৫, মোরোক কেজি ১, ঙারি গ্রাম ৫০০, সাপোন অমদি মনা-মশিং কয়া তেংবাং পীরমখি। এপ্রিল ২৫ দনা ৱাঙ্খে নিংথেম পুখ্রি মপালদগী লাইশ্রম রঞ্জিৎ অমদি ইমুং-মনুংনা লৈখিদ্রবা কাংঙুজম ইবেতোম্বীগী ৮ শুবা দিন (কুমওন) গা মরী লৈননা মৈতৈ চেং কেজি ১৬০, টি-সার্ট, কেরোম বোর্দ, চেছ বোর্দ, লুদো বোর্দ, তিলহৌ কেজি ২৫, ঙারি গ্রাম ৫০০, চিনি কেজি ৩, মোরোক কেজি ১, থুম কেজি ২, হৱাই কেজি ২০, তেগোর থাউ লিটর ৫, চা মনা পেকেট ২, অমুল টি পেকেট ১, সাপোন বোক্স ২ অমসুং ষ্টেসনরি আইটেমশিং য়াওনা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৩ পীরমখি। এপ্রিল ২৯ দা য়াইস্কুল জমষ্ঠানগী কাঙবম কোবা অপোকপা লৈখিদ্রবা লালা অমসুং কাঙবম শখিনা হোমদা লাক্তুনা অঙাংশিংদা অচা-অথক কয়া পুরক্তুনা পীজরমখি। এপ্রিল ৩০ দনা শিংজমৈ মখা চোংথাম লৈকাইদগী কোনসম রামভা অমসুং ইমুং-মনুংনা চেং কেজি ১০০, হৱাই কেজি ৫, অলু কেজি ২৫, অচাথাও লিটর ৫ অমদি য়েরুম প্লেট ২ হোমদা লাক্তুনা তেংবাং পীরমখি হায়রি।

মীয়ামগী তেংবাংনা হিংজরিবা য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমগী কম্মিটি মেম্বরশিং অমদি হোম অসিদা লৈরিবা অঙাংশিংগীদমক খন্দুনা পাঙ্গলগী অমদি শেলগী তেংবাং পীবিরক্লিবা খুদিংমকপু হোম অসিগী মাইকৈদগী তৌবীমল খঙবা উৎপগা লোয়ননা ঙমখৈ লৈতনা থাগৎলি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোংদোরক্লি।



# মণিপুর - ঙরাং, ঙসি অমসুং হয়েং (১)

হয়েং করি থোক্লগবা - হায়বদুদি খঙদে ঐ। হায়বা ঙম্লোই কনানসু। ঈপা ঈপুনা হায়নরকই... 'ঙসি শিনি পাউচেন্দে, হয়েং শিনি পাউতাক্তে'। ঙসি/হৌজিক হায়বা মতমসিফাওবদি ঐহাক/ঐখোয় হিংলি হায়বসিতনি নাখৈ শেংনা খঙলিবা অচুম্বা। ঙসাই/ঙরাং অমসুং হোরেন/হয়েং-মীওইবগী ৱাখলনা শেম্বা মতমগী শক্লোন অমনি।

মে তারিখ ৩, ২০২৩। য়ুমশকৈশ। মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা মীওই কাঙলুপ খুদিংমক্কী থম্মোয়দা করিগুম্বা খরা থোক্লরগনি হায়বগী লাংতক্ক বা অমা লৈনরমগনি শোয়দনা। মণিপুরগী হাই-কোর্টনা মণিপুরগী লৈঙাক-ওথোরিটিদা - 'মৈতৈ/মীতৈশিংবু ইন্দিয়াগী 'সিদ্যুল্দ ত্রাইব'শিংগী লিষ্ট'তা চলহন্নবা প্রোপোজেল অমা সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ ত্রাইবেল এফ্যার্স'তা থাননবা ওর্দর তৌখিবদুগী মায়োক্তা 'ওল ত্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, মণিপুর'না লীংজেল মান্নবা উৎপা খোঙচৎ (সোলিদারিটি মার্চ) অমা শিনখি। নুমিৎতুগী মমাং, মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর য়াওনা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমা থুগায়-খোৎকায়, য়ৈখায় থিনগায় তৌরকপদগী কায়খি/পাঙথোকখিদবা থৌরম অমসু লৈখ্রবনি। কুকিনা নম্না তাবা মফম খরদা চৎপা রেল্লি অদুদা, একে-৪৭ নোংমৈ পায়বা নহারোল ঙাক শেনবা, মৈতৈলোন্দা অকামপেৎ শিজিন্নদুনা সী এম 'বিরেন' বু চৈ থাংখিবদু, তশেংবদি, মৈতৈশিংবু চৈবনি। লাকসীনবীনবা য়াওদ্রবা অঙাওবা হুই শঙ্গুগুল্লবা মী তেঙ্গোল অমনা চুরাচান্দপুর-বিষেনপুর লোন্নবা মফম অমদা চুরকপা মৈ অমদগী মথঙ মথঙ মৈৱায়রক্তুনা লাক্লা ফানা ঙমদ্রবা মৈজাও অমা ওইরকখি। মরাল লৈতবা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙখি, করম্বা কাঙলুপকী মীওই কয়া শিশ্রবা, কনানসু খঙদে হায়দোক্তবা। য়ুম-কৈ-জীপ-কার-ফনিচর কয়া মৈ চাকপ্লে, উৎ ওনপ্লে। লুপা ক্রোর কয়াগী মাল চাং ওইগদবনো? কমিটি অমনা থিজিন হুমজিনবা তৌরবা তুঙদা খঙগনি।

হৌজিক্তি লোৎন-থুপ্পা, মচেক য়েনা ইকবগী কান্নদে। মালেম সীন্না খঙলবনি... 'মণিপুরগী মৈতৈ-কুকি খৎনরে, অমনা অমগী ঈ খৌরাংনবগুম অউ অউ হাৎনরে...। অমুক হন্না হান্নগুম য়ুমলোন্ননা, নুংশি চান্ননা লৈমীন্নবা য়াখিগদ্রা/য়াররোইদ্রা-মদুনি নৈনগদবা। হোম মিনিষ্টর 'অমিট শাহ'না দেল্লি'দা মণিপুরগী সী এম অমদি কেবিনেট কল্লিগ খরা, পার্টি প্রসিদেন্ট'কা লোয়ননা কৌরগা ঙাইহাক ৱারী শানবা, ...মতম ঙাইহাক কান্নরগা কুকি-রিপ্রজেন্টেটিভ খরগা অমুক উন্নবা... অদুগী তুং, 'কাঙলুপ অনিমক হান্নগুম নুংশিননা লৈমিন্ননবা ঐনা থোকপা সীল্লক্কনি, থোক্লিবা ৱাথোকসিগী ৱারু খঙলে ঐ ৱারুগনু' থেল্লকপা... থেল্লবা ঐগী ৱাখলসিনদি থাজরুবা ঙমদে। খঙদে, ঐ'সি পেসিমিষ্ট ওইমনখ্রবা হায়'দুরা? অদুঙৈ, ইন্দিয়া-পাকিস্তান তোখাইরকপা হাক্তক্তা হিন্দু-মুস্লিম হাত্তোক্লরকপা, জাতিগী মপা গান্ধীনা অহানবা নীংতম্বা-নুমিৎ-সেলেব্রেসন য়াওদনা, অশি অনা নংলবশিংগী মনাক্তা চত্তুনা অৱাবদা শরুক য়াখিবদু নীংশিংলকই। 'নরেন্দ্র মোদি' নত্রগা 'অমিট শাহ' - পুং খরতা ওইরবসু অখন্নবা ফ্লাইট'তা লাক্তুনা 'তাৎ-পাৎকী ৱাহৈ' ওইরবসু খরদং হায়রম্লবা, থম্মোয় অসি পেল্লমগনি। ঙসি, তাইশিনবা ৱারগদবা নত্রগা য়াররোইদবা থাক্তা শোক্লবা থম্মোয় লীশিং কয়া অসিদি চীনবান' - খোইহী তৈবা ৱাহৈ লীশিংনসু থেম্বা ঙম্নি থাজদ্রে। অদুগা, ঐ'সিমদি খঙই ময়েক শেংন-মণিপুর নত্তবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেট অমদা অসি য়ৌনা তমথীবা স্কেলদা থোকপা ৱাথোক ওইরম্মু, হান্নগী এনগ্যাজমেন্ট পুম্নমক তুংওইনরম্লগা 'য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর' পাইশিল্লক্লমগনি শোয়দনা। মপাঙ্গল ফবা ইন্দিয়ন-আর্মিসু মতীং ফুদোক্লমগনি। লমদমসিদা, লমহেনবা ফুরূপ অমগী মথক্তা খুৎ থাবা তৌদনবা, অখন্নবা য়াথং অমা তৌরকপরা, পুমঙম ঙম্বা 'সুপ্রিম লোর্দ-হেদ' মহাক্লা? হৌজিক্তি 'মৈতৈ ফুরূপ' সেন্ত্রেল আর্মদ-ফোর্স'না তাথীবীরবা, দিফেন্স-লেস কাঙলুপ অমনি খনবা হৌরক্লে। চেঙ পী'নু, নোংমৈ পীয়ু-নহা কাঙলপ অমগী খোল্লাউ ওইরক্লে। ইন্দিয়ন-আর্মিগী মায়োক্তা নীংতম-লান থেংননবা নত্তে, আর্মিনা নাউ চাউহল্লবা কাঙলুপ অমা মায়োক্লনবনি। দিস ইজ নোৎ এ গুদ সাইন। অফবা দিবলপমেন্ট নত্তে।

ওল সেইদ এন্দ দন। হৌখ্রবদু হৌখ্রসনু, হৌজিক ওইরিবা, 'রিঅলিটি'- অমুক্তং পুন্না য়েংমীন্নসি। তম্পাক্কী সিটি অমগুম্বা, মণিপুরগী ইতিহাস'কা শাগোন্নরক্লবা, মৈতৈ নিংথৌ অমগী মিংদা থোনখিবা, 'চুরাচান্দ-পুর'! সহরদুদা লৈরম্বা মৈতৈ-লৈকাই ১২ মুৎথৎখরে হৌজিক্তি। হৌজিকমক্কী ওইনদি, লৈকায়-দুদই চেল্লক্লবা খুঞ্জাশিং, অমুক হন্না চত্তুনা অনৌবা য়ুম-কৈ শাদুনা খুনলীংবই ৱাখল পোক্তরে। দিষ্ট্রিক'তুগা য়ুম-লোন্নবা, বিষেনবুর দিষ্ট্রিক্টকী মৈতৈ-খুন, খম্বা-থোইবী'-মতমদগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা তোর্বুং-খুন, অহাঙবা লম্পাক ওনখরে। ইন্দো-ম্যান্মার'-বোর্দর তাউন 'মোরে'গী মৈতৈ-খুন তরেৎতুসু অমহানি, তাঙ্গোয় ওইনা মাঙখ্রবা। ইম্ফাল ময়োন্দা লীংলম্বা কুকিশিংগী লৈকায়গী ৱারীদুসু অমত্তনি। অমুক হন্না লাক্লবসু হান্নগুম্না নীংঙাইদনা, ঈংন-চীক্লা লৈমীন্নবই ৱাখলদুদি পোক্লরোই। কম্যুনেল রাইওৎ হায়বসিগী খ্বাইদই তমথীবা শক্লোন হায়বদু মসিনি। কাউঙমদবা থরূম অমা মতম কুইনা মথম্মোইদা পুদুনা লৈহৌনি। অমনা অমবু তুক্কচ্চনবগী মৈরী অমা তত্তনা চুরক্কনি থম্মোয়নুংদা। মৈরী অদু চুনবনি 'মে-৩-নুমিৎ'সিবু মমিং অমা থোনজিল্লগা পাঙথোক্লরক্কদৌরিবা নীংশিং থৌরম।

মৈজাও অসি হৌরক্লবই মরম ওইরিবা, কাঙলুপ অনিসিগী মীওইশিংগী থম্মোয়দা থম্নকখিবা, মরদা লৈবা 'থরম'দুদি অতৈ নত্তে-মণিপুরগী পাক-চাউবা, অপুনবা জিওগ্রাফিকেল এরিয়াগী চাদা তরাখক ওইবা তম্পাক-লমগী মৈতৈ'না মীশিং য়াম্বা ফুরূপ (মেজোরিটি কম্যুনিটি) ওইরগা, চাদা মরিফুতরা ওইবা চীং-লমগী-চীংমীনা মশিং য়ামদবা (মাইনোরিটি) কাঙলুপ ওইরম্বা... মখোয়গী মীশিং হেনগৎহন্নবা, য়েলহৌমী নত্তবা, লোন মান্নবা ফোরেন-রিফ্যুজিশিং কৌশিল্লগা ফোরেষ্ট এরিয়াদা খুন্দাহনবা, মখোয়গী মশক খঙদোক্লবা হোৎনরকপা লৈঙাক্কী থৌসিল... খ্বাইদই ইকোন কোনবদা, পাক চাউরবা চীংমায়শিং পোপ্পি পাম্বী থারগা দ্রগ শুংফম ওন্থোক্লবা হোৎনরম্বদু থিংলুবা... অসিনচিংবনা মরূনি।

ৱারেঙ মচা-মশু খরদা নৈনবা য়াবা হীরম নত্তে, চাউখ্রবা ইশু অমনি। ইন্দিয়াগী মফম অমত্তদা লৈতবা 'লেন্দ-লো'নি মণিপুরগী-মাইনোরিটি ওইবা চীংমীশিংখক নত্তনা, চাদা মরিফুতরা ওইবা চীং-লমদুদা কনামত্তসু খুন্দা-লৈতা-লৈরুবদি য়াহন্দ্রগা, অপুনবা-লমগী চাদা তরাখক ওইবা তম্পাক-লমসিদনা চীংমী-তম্মী, মীতোপ-মীরান পুম্নমক ঈংন-চীক্লা-মপু-ওইনা-নিংথৌগুম্না লৈবা য়াহনবা লো। ব্রিটিস-লৈঙাক্তগী নীং-তম্লকপা মতমদা মী ক্রোর নিফু লৈরম্বা ইন্দিয়া, চহী হুমফুতরা-মঙাগী তুংসিদা ঙসি, মীওই ক্রোর চামনিফুনি! ৱাখলসিনা অমুক্তং লামশিন্দুনা য়েংলুসি-ঙসিদগী চহী কুম্থা-নিফুগী মতুংদা মণিপুর-তম্পাক্কী ফিবম করি ওইগনি! ইন্দিয়াগী 'ফেমিলি ৱেলফ্যার প্রোগ্রাম' তুংইন্না 'অপিকপা ইমুং-নুংঙাইবা ইমুং'নি হায়বা ৱাখল্লোনসি থাজখ্রবা মৈতৈনি। কুইররোই-মেজোরিটি পোপ্যুলেসন ওইরিবা মাইনোরিটি-ষ্টেটস'তা হন্থরকপা শোয়দ্রবনি।

## কুকি এম এল এ ১০ দিসক্কালিফাইদ তৌগদবনি ঃ নুপী মরূপ

**থৌবাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস):** থা অসিগী ১৪ দা য়ুনিয়ম হোম মিনিষ্টর অমিট শাহদা কুকি এম এল এ ১০ না লমদম অসিদা থোক্লিবা কাংলুপ অনিগী ঈরাংদগী ইম্ফাল ভেল্লিদা ত্রাইবেল অমত্তা লৈত্রে লোয়ননা চীংদসু মৈতৈ অমত্তা লৈত্রে হায়না পাউদমখিবা অদু শেমজিন শাজিনবা অরানবা য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফমনি হায়না ওল মণিপুর নুপী মরূপনা ফোংদোকখিবগা লোয়ননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরদা অরানবা রিপোর্ট পীখিবা কুকি এম এল এ ১০ মক দিসক্কালিফাইদ তৌগদবনি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ওল মণিপুর নুপী মরূপকী সেক্রেটরি এল সুমতিবালানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কুকি এম এল এ ১০ না য়ুনিয়ন মিনিষ্টরদা পীখিবা রিপোর্ট অদু হৌজিক থোক্লিবা ঈরাং অসিদা অমুক্কা হেন্না পাকথোক চাওথোকহন্নবা অচাকপা মৈদা ঘী হৈজিনবগুম্বনি। কুকি এম এল এ ১০ অদুগী মনুংদা হৌজিক হৌজিক কেবিনেট মিনিষ্টর ওইবা অনিসু য়াওরিবনি। অকনবা মওংদা লৈবাক ঈরাং থোক্লিঙৈ মরক অসিদা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবগী মহুৎতা অমুক্কা হেন্না ঈরাং শাগৎনবা হোৎনরিবা এম এল এ শিং অথুবা মতমদা মণিপুর ষ্টেট লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী অখন্নবা সেসন অমা কৌদুনা দিসক্কালিফাইদ তৌগদবনি হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, বি জে পি মণিপুর প্রদেসকী প্রসিদেন্ট এ সরদা অমসুং নেসনেল প্রসিদেন্ট জে পি নাদানা হিরম অসিগী মতাংদা এক্সন অমত্তা লৌখৎতনা লৈরিবা অসি লাইবক থীবনি। মরম অদুনা হিরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা অহেনবা মীৎয়েং চংবগা লোয়ননা ঈরাং অসি নেমথহন্নবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টর ৩ না মণিপুরদা লাক্তুনা হকথেংননা য়েংশিনবীয়ু হায়নসু অপিল তৌরক্লি।

## এ কে এলনা তেংবাং পীখ্রে

**ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস):** লমদম অসিদা থোক্লিবা কাংলুপকী ঈরাং মরক্তা ত্রোংলাওবীদা মণিপুর পুলিস কম্মান্দো হৈস্নাম জিতেন নোংমৈনা পান্দুনা লৈখিদবগী থৌদোক অদু অপুনবা অপুনবা কংলৈপাক লুপ (এ কে এল) না থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোংদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা পুলিস কম্মান্দো হৈস্নাম জিতেনগীদমক করিগুম্বা খরদি তৌগে হায়না লেপ্লে। লৈবাক মীয়াম্নসু মতেং পাংবীয়ু হায়না ফোংদোরক্লি।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগী মমাংদা ৱা ঙাঙলদুনা অপুনবা কংলৈপাক লুপকী লিগেল এদভাইজরসু ওইরিবা ইন্টরিম চিয়রমেন রজিভ থাংশাবমনা হায়, ত্রোংলাওবীদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক্তা শোক্তুনা লৈরিবা মণিপুর পুলিস পার্সোনেল ৪ দা ইম্ফাল ইষ্ট জিলা পরিষদকী মতেংগা লোয়ননা মণিপুরগী দি জি পি দা শেলগী তেংবাং ঙরাং খুৎশিন্নখ্রে। মসি মথৌ পাংথোকচরিবা পুলিস পার্সোনেলশিংনা শোক্তুনা লৈরে তাবদা পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা লুপ অসিগী মাইকৈদগী অঙম্বা মতেং পাংজবনি।

মশাগী মথৌ তৌবদা শোক্তুনা লৈরিবা পুলিস পার্সোনেলশিংদা থৌনা হাপ্পা ওইনা লমদম অসিগী মীয়াম্নসু অঙম্বা মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

## রিলিফ কেম্পতা তেংবাং পীখ্রে

**ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস):** হান্না পাউমীগী শিনফমদা লৈরম্বশিং অমদি হৌজিক হৌজিক পাউমী ওইনা লৈরিবা মীওইশিংনা শেম্বা ওল ফ্রেন্দস হায়না মিংথোনবা গ্রুপ অসিনা নুমিৎ খরনিগী মমাংদগী মণিপুরদা থোরকখিবা কাংলুপকী ঈরাংনা মরম ওইরগা লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিংদা তেংবাং পীখ্রে হয়রি।

গ্রুপ অসিগী প্রসিদেন্ট রাজকুমার সনাতোম্বানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কাংলুপকী ঈরাংনা মরম ওইরগা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা তাইরেনপোকপী খুনগী তাইরেনপোকপী এল পি স্কুল অমসুং তাইরেনপোকপী ইংলিশ স্কুল অনিদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা ঙরাং ওল ফ্রেন্দসকী মেম্বরশিংনা ঙমজবা চানথক্লবা অমদি হিদাক লাংথক মতেং পাংখ্রে।

অমরোমদা থা অসিগী ৬ তগী মফম খঙদনা লৈরক্লিবা খুম্বোংদগী অতোম সোমোরেন্দ্র অমসুং য়ুমখাইবম কিরন কুমার অনিবু মীওইবগী মীনুংশি য়েংদুনা তেক্তা কাইদনা থাদোকপীরক্লবা মরী লৈনবশিংদা অপিল তৌরকপগা লোয়ননা হৌজিক থোক্লিবা কাংলুপকী ঈরাং অসিবু কাংলুপ খুদিংমক্লা ৱাখল তামিন্নদুনা অথুবা মতমদা লোয়শিন্নবা হোৎনমিন্নসি অমসুং হান্নগুম নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা হোৎনসি হায়রি।

## অতোম সোমোরেন্দ্র অমসুং য়ুমখাইবম কিরনকুমারগী লংলা লংজিন পুথোকপীয়ু ঃ ইমুং-মনুং

**ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস):** লমদম অসিদা কাংলুপকী ওইবা ঈরাং থোকপা হৌখ্রবা মতুং থা অসিগী ৬ তা ময়ুমদগী থোকখিবদগী ঙসি ফাওবা মফম খঙদনা লৈরিবা অতোম সোমোরেন্দ্র অমসুং য়ুমখাইবম কিরনকুমারগী মরী মখোং মণিপুর লৈঙাক্লা অথুবদা খঙহনবীয়ু হায়না ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা তকশিল্লক্লি।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা অতোম সোমোরেন্দ্রগী লোয়নবী অতোম ওংবী কবিতানা হায়, মহাক্কী মপুরোইবা সোমোরেন্দ্র মমান্নবা অমা উন্নরুগনি হায়দুনা থা অসিগী ৬ কী অয়ুক পুং ১১ রোম তাবদা ময়ুমদগী থোকখিবনি। মদুগী মতুং নুমিৎ অদুগী নুংথিল পুং ১ রোম তাবদা মমান্নবা অমনা সোমোরেন্দ্র য়ুমদা য়ৌরক্লব্রা হায়না হংলকখিবগা লোয়ননা মহাক মফম অদুদগী চৎখ্রে হায়না পাউদল্লকখি। মদুগী মতুং নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবদা টেলিফোনদা পাউ ফাওনখি। মদুদা মহাক ইরোইশেম্বা মনাকনকপদা লৈ হায়না মমান্নবশিংদা ফোংদোল্লকম্বা লৈখি। মদুগী মতুং নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তারমদাইদা সঙাইথেলদা লৈ হায়নসু মমান্নবশিংগা পাউ ফাওনখি। অদুবু সঙাইথেলদা লৈ হায়না পাউ ফাওনখিবা অদুগী মতুংদদি মখা তানা সোমোরেন্দ্রগা পাউ ফাওনবা ঙমখিদবগা লোয়ননা মহাক্কী ফোনসু স্বিটচ ওফতা লৈখিবনি হায়রি।

কবিতানা মখা তানা ফোংদোকখিবদা মহাক্কী মপুরোইবগা চৎমিন্নখিবা কিরনকুমারগী ফোনসু ফংবা ঙমখিদে। নুমিৎ অদুগী নুমিদাং পুং ৭ রোম তাবদা পাৎশোই পুলিস ষ্টেসন্দা মিসিং রিপোর্ট অমা তৌখি। মদুগী মতুং পুলিসনা মখোয় অনিবু থী-হুম্বগী থবক চথবা হৌখিবনি। সঙাইথেলগী শরুক্তা পুলিসনা চংশিন্নবা হোৎনরুবদা চীংগী মথক থংবা শরুক্তগী মৈতৈ পুলিস অমদি মৈতৈ মচাশিং চংবা য়ারোই হায়না লাউথরকখি। নুমিৎ অদুদগী ঙসি ফাওবা মখোয় অনিগী লংলা লংজিন খঙবা ঙমদনা লাকখিবনি।

লৈঙাক্কী মরী লৈনবা মকোক থোংবশিংদসু হিরম অসিগী মতাংদা কয়ারক খঙহনখ্রে। মখোয়গী মাইকৈদগী সোমোরেন্দ্র অমসুং কিরনকুমার থিবগী থবক চখৎরি হায়না অদুম্মক ফোংদোরকখি। সোমোরেন্দ্রগী ফোন ত্রেক তৌবদা অরোইবা ওইনা সঙাইথেলদা লৈরে হায়বা চপ চাবা খঙবা ঙল্লবসু মখোয় অনিগী মরী মখোংদি পুথোকপা ঙমদ্রি। ওইরিবা ফিভম অসিনা মরম ওইরগা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা তংদু লৈতাদবা অমদি ৱাখল চরাংনবশিং থোকহল্লে। মরম অদুনা অথুবা মতমদা মরী লৈনবশিংনা মখোয় অনিগী লংলা-লংজিন পুথোক্তুনা ইমুং-মনুংদা খুৎশিন্নগদবনি হায়খি।

অমরোমদা য়ুমখাইবম কিরনকুমারগী লোয়নবী বসন্তিনা ফোংদোকখিবদা মে ৬ তগী মহাক্কী মপুরোইবা মফম খঙদনা লৈরকখিবনি। লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা থীরি থীরি হায়না ফোংদোক্তুনা লাক্লি। লমদম অসিগী মীওইশিংবু থম্মোয় শেংনা নুংশিবা লৈঙাক ওইরবদি মহাক্কী মপুরোইববু শোয়দমক্কী পুথোকপা ঙল্লমগদবনি অদুবু হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিদি লৈতবগা চপ মান্নরে হায়নসু মহাক্লা মখা তানা পেন্দবা ফোংদোকখি।